# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর পুলিস অমসুং কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালনা ত্রক অনিদা পুরকপা কিলোগ্রাম লিশিং ৮ হেনবগী ব্রা সুপারিশিং মরুশিং ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাটকী ১২৭ শুবা ইপিসোদ হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) বঙ্গোপ সগরদগী হৌরকপা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা ওরিষাদা য়ৌরক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা হাই এলার্ট লাউথোকখ্রে।

------

পুলিস (এল) ঃ রাজ্য অসিদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী পায়খৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না থি হুম্বগী থবক চখবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং য়াওনা আইন কায়বা থবক থৌরমশিং চখবদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- মণিপুর পুলিস অমসুং কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালনা ঙরাং ত্রক অনিদা পুরকপা কিলোগ্রাম লিশিং ৮ হেনবা ব্রা সুপারিশিং মরুশিং ফারে। ফারবা ত্রক অনি অমসুং ত্রক অদুবু থৌরক্লিবা ড্রাইভর য়াওনা হেন্দিমেনশিং কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালদা খুৎশিন্নখ্রে।

পাউ অদুনা মখা তানা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা ককচিং জিলাগী ককচিং ৱাইরি বামোন পরেং এরিয়াদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী এক্তিভ কেদর অমা ফারে।

মণিপুর পুলিসনা থি হুন্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ব্রহ্মপুর নহাবমদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

চুরাচান্দপুর জিলাদগী য়ুনাইতেদ কুকি নেসনেল আর্মিগী কেদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্বগী থবক চথবদা ফারে। মঙোনদগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অনি ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসি চুরাচান্দপুর টাউন এরিয়াদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি।

অমরোমদা, দিৱালি কুম্মৈ মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মণিপুর পুলিসনা লগাউ মরু লিশিং ১,১০০ ফাগৎখি অমদি আইন কায়না গাড়ি থৌবা মীওইশিংদগী মণিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্তকী মখাদা ফাইন থিহন্দুনা ঙরাং শেল ওইনা লুপা লিশিং ৭ খোমগৎখি।

ইয়োল (এল) ঃ রাজ্য অসিদা লমদম অসিগী পুৱারীগা শগোন্নবা লাইনিং লাইশোলগী থবক থৌরমশিং য়াওনা থাবল চোংবগী থৌরম মতম নত্তবদা পাঙথোক্তনবা ইনাৎ য়োকখৎপা লুপতিন (ইয়োল)না আপীল তৌরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেলদা লৈবা এইমসকী ওফিসতা ঙরাং নুমিদাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা লুপ অসিগী জেনেরেল সেক্রেতরি এন. ধনঞ্জয়না হায়- হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎতা ৱাংঙু লাইফম মখা লৈকাইদা থবল চোংবগী থৌরম মতম নত্তন পাঙথোকখিবা অদুবু লুপ অসিনা হকচিন্না লৌই। লমদম অসিগী লাইনিং লাইশোল অমসুং নাৎকা মরী লৈনবা থৌরমশিং অসি মতম চাদনা পাঙথোকপনা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা চৎনবীশিং অসি মগুন হন্থরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইগনি। লমদম অসিদা চৎনবী অমা ওইনা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম য়াওনা পাঙথোক্লিবা পোকপদগী শিবা

ফাওবগী থবক থৌরমশিংদসু শেল কা হেন্না চাদিং তৌবা অমদি চৎনবীগী ৱাংমদা অহেনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপীদনা লুপ অসিনা আপীল তৌরক্লি।

মনকিবাটঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৭ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

সাইক্লোন ঃ বঙ্গোপ সগরদগী হৌরকপা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা ওরিষাদা য়ৌরক্লবা য়াই পান্নরিবা অসিগী য়েংলগা ওরিষা সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং বিভাগ খুদিংমক মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

রেভিন্যু অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মন্ত্রি শুরেশ পুজারিনা ভুবনেশ্বরদা হায়- দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তর খুদিংমক মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনবগা লোয়ননা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং মতিক চানা থল্লে।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল বিভাগকী পাউ মতুংইন্না বঙ্গোপ সগরগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লো প্রেসর লৈবা খা নোংপোক থংবা অমসুং বঙ্গোপ সগরগী ময়াই থংবা শরুক্তা ঙসি য়ৌরক্লবা য়াই। নোংলৈ নুংশিৎ অসি নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা কনশিল্লক্তুনা বঙ্গোপ সগরগী নোংচুপ অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ৌরক্লবা য়াই। মেট বিভাগনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা ওরিষাগী জিলা কয়া মরুমদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগা নুমিৎ হুমি নোং কা হেন্না কন্না চুগনি।

নাগালেন্দ ঃ নাগালেন্দগী তুরিজম মন্ত্রি তেমজেন ইমনা অলোংনা হায়রি- হোর্নবিল ফেষ্টিভেল অসিনা মীয়ামদা শাফু পীবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোনদা চাউনা খুদোংচাবা পীরি।

নিউ দিল্লিদা লনাই পাউগী এজেন্সি অমগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়- চহি খুদিংগী নুমিৎ ১০ নিদা মীওই লাখ অহুম নেবনা কুম্মৈ অসিবু য়েংবা লাকই। হায়রিবা মতম অসিদা লুপা কোতি ২০০ হেন্না তানবা ঙম্মী। মহাকা হায়- হোর্নবিল ফেষ্টিভেলদগী য়াম্লবা শেনফম তানবা ঙমলি। নাগালেন্দগী মীয়ামসু লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী মীয়ামা অকি তুজংবা ফাওদনা নাগালেন্দদা লাক্কুনা পুন্না অমত্তা থবক তৌমিন্নশি।

বস ঃ হাইদ্রবাদতা পেসেঞ্জর পুবা বস অমা মৈ চাকপদা অঙাং অনি য়াওবা মীওই ২০ শিরে। থৌদোক অদু করনুল জিলাদা ঙরাং হাইদ্রবাদতগী বেঙ্গলুরু তমা চৎপা পেসেঞ্জর বস অমগা মোটোর বাইক অমগা থেংজিন্নবদা বস অদু মৈ চাক্লকপদগী মীওইশিং অদু লৈখিদবনি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা মফম অদুদা পুলিসশিং চংদুনা মী কনবগী থবক চথখি।

মুখ্য মন্ত্রি এন. চন্দ্রবাবু নাইদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমনা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে। রাজ্য সরকারনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৫-৫, অশোকপশিংদা লুপা লাখ ২-২ ক্ষেতিপুরন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। রাজ্য অদুগী ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রিনা পেসেঞ্জরশিংগী অশোই অঙাম থোক্তনবা রাজ্য অদুদা চেল্লিবা প্রাইভেট বসশিংগী পার্মিৎ অমসুং গাড়ি অদু কয়া য়ামা ফরিবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ থাদনগদবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। চাউখৎ থৌরাং, আইন অমসুং শান্তি রক্সা অমদি মীতোপ চংশিল্লকপগী ৱাফমনা মীখলগী

কেম্পেনগী মরুওইবা হিরম অমা ওইরি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ)গী কেম্পেন সমস্তিপুর জিলাদা মীখলগী রেল্লি পাঙথোক্তুনা হৌদোকখি। ধুতপুরা হেলিপেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংখি।

বি.জে.পিগী ষ্টার কেম্পেন্নর অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা এন.দি.এগী মীরেপ শৌগৎলদুনা বুক্সার অমসুং সিৱানদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহানসু গোপালগঞ্জদা পাঙথোকপী মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়াখি।

মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মোহন যাদব, আর.জে.দি লুচিংবা তেজাস্বি প্রসাদ যাদব, সি.পি.আই-এম.এল, বিকাশ সিল্ড ইন্সান্ট পার্তি, সি.পি.আই অমসুং বিরোধিগী গ্রান্দ এল্লায়েন্সতা য়াওবা দলশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক সরকারবু হুনদুনা ৱা ঙাংখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী থৌরমগা মরী লৈননা মচিন মৌপৱা অমসুং মচে মচল অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লিবা হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা নুমিৎতা লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম রাজ্য অসিদা পাক শন্না পাঙথোকখিবগী পাউ, রাজ্য অসিদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবগী চাং হেনগৎলকপা অমসুং এন.এস.সি.এন-আই.এমগী লুচিংবা মুইভানা চহি ৫০ গী মতুংদা মহাক্কী পোকফম লমদমদা হল্লকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

আই.দি.পি নিংঙোলশিং য়াওনা চাক কৌনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং দেঙ্গি লিশিং ৩,২৬৫ পোজিতিভ ওইখ্রে, য়ুম য়ুমদা চংদুনা য়েংশিল্লুবদা পোজিতিভ

ওইবা ময়াম থেংনখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মুম্বাইদা নুপী অমা য়াওনা মণিপুরগী নহা মরি ফুবিখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সরকারনা দাইলাইসিস পেসেন্টশিংবু অশিবগী খয়াৎতগী কনবীয়ু হায়না পেসেন্টশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাংগী ফিভম য়েংলগা বিষ্ণুপুর জিলাগী মফমশিংদা লৌ লোকপদা সেক্যুরিতি ফোর্স ঙাক্তুনা লৌ লোকবগীদমক জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সভাপতি ওহদুনা ৱাফম কয়া খন্নখিবগী পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল পাউচেদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অমোভাগী ৩৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা, থৌরম অদুদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট কুঞ্জরানিনা ইন্দিয়া লৈঙাকা মণিপুরগী মীয়াম্বু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা তৌনিংবতা তৌদুনা হিরম কয়াদা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউচে অসিমক্কী এনকর কলমদা ম্যান্মারগী খেনমোই নোইদিয়াদা ইন্দিয়ান আর্মিগী দ্রোন এটেক্তা সিভিলিয়ান অনি লৈখিদবদা আর.পি.এফনা অৱাবা ফোংদোরক্লি হায়না ফোংলি।

পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সিৱেজ প্রোজেক্টনা লম্বী তৌখায়রগা পাইপ ফুম্লবসু কোইলাস থারমদবনা থৱায় মাংনবা লাং থাকপগী মান্নরে হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ওলিম্পিক ৱেথলিফতর মিরাবাই সাইখোমনা রাজ্যপালগা উন্নখ্রে হায়বা

পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ জাংহেমলুং পানমৈনা তমেংলোং হেদক্কাটরদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা চম পাউচেদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------